# রিও ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়ানা মেদল কয়া য়াম্না ফংবা য়াবগে?

লৈশাংথেম অজিৎ

*রিও দি জনৈরোদা* পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীয়াম্না লৈবাক অসিগী হায়বদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা কয়া য়াম্না মায় পাক্কুনা মেদল কয়ামুক লৌবা ঙমগদগে হায়বা খঙনীংই। লন্দন সহরদা পাঙথোকখিবা হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মেদল তরুক ফংদুনা ওলেম্পিক্কী ৰারীদা লৈবাক অসিনা মেদল খ্বাইদগী ফংবা চহী ওইখি। তৌইগুম্বসুং সনাগী মেদল অমা ফাওবা য়াওবা ঙমখিদবা অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী নীংবা থুংবদি খরা ৰাৎখি। ওলেম্পিক অদুদা মেদল ফংখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি সুসিল কুমার, ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং অমসুং বিজয় কুমারনা মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা লুপাগী মেদল অমমম ফংখি। গাগন নারাগ (মিটর ১০ এয়র রাইফলস), জুগিন্দর সিংহ (ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং কেজি ৬০), মেরি কোম (ফ্লাই ৱেথ বোক্সিং) অমসুং সাইনা নেহৱাল (বেদমিন্টন) শেঞ্জেংগী মেদল ফংখি। চহী অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় নুপা ৬০, নুপী ২৩ পূন্না শান্নরোয় ৮৩ না মশান্না মখল ১৩ দা শরুক য়াখি। ১৩ অসিগী মনুংদা টিম গেমসকী ওইনদি নিপাগী হোকিখক্তমক শরুক য়াবা ফংখি। মতম অমদা ওলেম্পিক তরুক্তা থংনা থংননা সনাগী মেদল ফংলম্বা ইন্দিয়ানা চহী অসিদা ১২ শুবা পোজিশন ফংদুনা খ্বাইগী মনিংদা লৈখি।

লন্দন গেমসকী হেক মমাঙদা থংননা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০০৮ কী ২৯ শুবা সম্মর ওলেম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী অভিনাভ বিন্দ্রনা এয়র রাইফলসকী মিটর ১০ লাপ্পদা টার্গেট থল্লগা কাপ্পবদা সনাগী মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা শান্নরোয় অমখক্তনা মপাঙ্গল মথৌনা অমসুং মশাগী হৈশিংবনা ফংবা সনাগী মেদলনি। টিম কম্পিটিশন্দা ফংবা নত্তে। চহী অসিদা কিলোগ্রাম ৬০ লুম্বগী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিংদা সুনিল কুমার অমসুং বোক্সিংদা ভিজেন্দর সিংহনা মেদল অমমম ফংবা ঙমখি। বৈজিং ওলেম্পিক্কী মমাঙদা ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯২৮ গী ওলেম্পিক্তগী কুমজা ১৯৫৬ তা মেলবোর্নদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমস ফাওবা হোকিদা সনাগী মেদল লৌখি অমদি কুমজা ১৯৭২ ফাওবা হোকিদা অনীশুবা নৎত্রগা অহুমশুবা পোজিসন তাবগী মেদল অমদি ফংই। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক অমদা মেদল অনী ফংবা ঙম্বা অমুক্তা য়াওখিদ্রি, কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা বৈজিং গেমস অমসুং হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসতগী লৈবাক অসিনা মেদল অমদগী হেন্না ফংবা ঙমখি।




ওলেম্পিক্তা মেদল হেন্না ফংদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শান্নরোয়শিংদা অঙন্বা শেলগী মতেং পাঙনবা নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দ হায়বা শেমলে। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্কী কা হেন্না ফবা শান্নরোয়শিংদা স্পোর্টস প্রমোসন তৌবনি। মখোয়বু শান্নবদা শেলগী মতেং পীবিদুনা মপূক্লিং থৌগৎপনি। নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দ হায়না খঙনবা স্কিম অসিগী মখাদা "Target Olympic Podium Scheme" অমা লৈ। মসিবু অশন্বীদা TOPS হায়না খঙনৈ। স্কিম অসিগী মখাদা ওলেম্পিক্তা মেদল ফংবা য়াবা শান্নরোয়শিং খনগৎলগা ওলেম্পিক্তা মায় পাক্নবা, শেম শানবা শেলগী মতেং পী। মসিগীদমক জিম্নাষ্টিক, স্বিম্মিং, হোকি, এথলেটিক্স, বেদমিন্টন, টেনিস, বোক্সিং, শুটিং, সেলিং অমসুং রেষ্টলিং অমদি আর্চরি, গোল্ফকী শান্নরোয় অফবশিং খনগৎলে। খনগৎলবা শান্নরোয়শিংগা চে চাং সহি তৌনদুনা কোচিং প্রোগ্রামশিং পায়খৎলি। থৌরাং অসিগী মখাদা দিস্কস লংবা ভিকাস গোদা, এয়র রাইফলসকী অভিনাভ বিন্দ্র, শুটিংগী হিনি সিদু, সমজিৎ সিংহ অমদি সেলিংগী আইস্বায়া অমসুং ভারসা হায়রিবা শান্নরোয় তরুক অসিদা পীনবা লুপা ক্রোর অমা কায়থোকখ্রে। টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়মগী থৌরাং মখাদা কুমজা ২০১৬ ফাওবদা শান্নরোয় ৭৫ গী লুপা ক্রোর ৪০ দগী ৪৫ ফাওবা থল্লি। রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবা খনগৎলবা শান্নরোয়শিংদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা থা খুদিংগী "Out of Pocket Money" ওইনা লুপা লাক্ষ অমমম থা খুদিংগী পীবা হৌরে। মসি টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম অমসুং নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শেনফম ফংবা শান্নরোয়শিংদসু পী। ওগষ্ট ৫ দা হৌগদৌরিবা গেমস অসিগী হৌজিক খনগৎলবা শান্নরোয় ৮৯ অসিগী থা অহুমগী শান্নরোয় অমমমদা লুপা লাক্ষ অমগী হিসাবতা লুপা ক্রোর ২.৬ কায়দুনা লৈরে। খনগদবা ৰাৎলিবা শান্নরোয়শিংসু মখোয়গী মমিং হেক কনফার্ম তৌবগা শেনফম অসি পীরগনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি, ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন, নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং অমসুং স্পোর্টস অথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী অপূনবা মিটিং কয়া অমুক তৌদুনা এক্সপার্টশিংগা খন্নরবা মতুংদা হন্দক্কী গেমস অসিদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংনা মেদল ১০ দগী ১৪ ফাওবা ফংগনি হায়না পান্নরি। ইন্দিয়ানা শরুক য়াগদৌরিবা মশান্নশিং অসিগী মনুংদা মেদল ফংগনি হায়না পানরিবশিংদি শুটিং, রেষ্টলিং, টেনিস, বেদমিন্টন, আর্চরি, বোক্সিং, হোকি, এথলেটিক্স অমসুং গোল্ফনি।

# এদিটৰদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## লাইনীং লম্বীগী লান

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটৰ,*

**ৱাখল** লৌশিং লৈবা মালেম অসিদা লৈরিবা মশীং য়াল্লবা মীওইশিং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা হিংমিন্ননবা লৈমিন্ননবগীদমক লাইনীং হায়বসি পূন্ন মকপু শেম্বীরিবা মপু মহাক্না পীবিরমই। তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈ অমদি মসিগী লমদা থিজিল্লিবা থিজিল্লোয়শিংনা ফংলকপা লৌশিংগী মতুং ইন্না লাইনীংগী ৱাহন্থোক অসি অচুম্বা হায়বদু ওইগনি হায়বসি অয়াম্বনা য়ানরবা ৱাফমনি। অৱাবা নুংঙাইতবা অশি অনা মায়োক্নবা চৈথেং ফংবসি লাইনীংদা লানবা অমরোমদা লাল্লুবদগী লনাই নৎত্রগা লৈপাক মীয়াম্না থেংনৈ মায়োক্লে। মসিদা যূম্ফম ওইরগা ঐখোয় মীওইবা মশেল য়েক্নবা, নুংশিনদবা, খৎন চৈনবা, লৈপাক অনীগী মরক্তা লান থোরক্তুনা অৱাবা মায়োক্লে। লাইনীংগী পাউতাক ইনবা অচুম্বা অমরোমদা অচুম্বা ওইবদগী ঐখোয় মীওইবা মশেল নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা, চাওখৎপা, কাঙলুপ খুদিং ইংনা চিক্না লৈমিন্নবা লৈরিবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মীয়াম অফবা মরী থমদুনা পুন্সি নুংশাংনা তাইবঙদা হিংলম্বদা ওইথোকপা য়াই।

মথক্তা তেন্তক্না থমজখ্রিবা লাইনীংগী লান, লাইনীং লানবদগী লান, লাইনীং পাউতাক পাউজেল লান্না ৱাহন্থোক হনবদগী লান হায়জরিবা মরম ময়াম অসি ঙসি লমদম অসিগী হৌরকমীশিংনি হায়না খৌ পোঙনা লাউরিবা য়েলহৌমী চীং তম অনী ঐখোয়গী লু তোং ঈদা চেন্দুনা থম্মোয়দা শাগোন্নদুনা লৈবদগী ঙসি ঐখোয় লাল্লক্তা লৈরিবগা পাঙখক ওইনা হিংলি। হায়জরিবা ৱাফম অসি লাইনীংবু চুম্না চৎচবা নীংজবা অমদি শোঞ্জবা অহল লমনশিংনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং শিংননবা তাকপীরি। মসি চুম্লবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চুম্লবা ৱাফমনি। পাবিরিবশিংগী থম্মোয়না ফনমক ৱাফম অসি য়ানিংদবমক লৈবীরগসু মীতৈগী অরিবা ৱাহৈ "হাদ উরিৎ নাপংবী, নমানা কৌই তাদবী, নপানা কৌই খুমদবী শ্বা শ্বা ও শ্বা" ৱাফম লৈবনা মরম ওইরগা চীং তম ঐখোয়গী লাইনীং লান্না শক শোল্লি, নিংলি থাজরি হায়বসিনা ময়েক শেংলবা চুম্লবনি ঐখোয় ইশা ইশানা খঙজরবা য়াজরবা অমনি। মসিমক ওইবননি ঐখোয় লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ মশেল মরক্তসু অমনা হায়বা অমনা ঙাঙবা তানিংদবা য়ানিংদবগী ৱায়েৎনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা লৈপাক অসিগী অফবা য়াইফবা তানখৎলকপদা অপনবা অমনা পীরিসি। লাইনীংদা লানখিবদগী তুং ইন্নখিদুনা অচুম্বা মরৈরক্ত্রবদা করম্বা মীয়ামগী লৈপাক্না মালেম অসিদা অসিগুম্বা লৈপাক অমা লৈরিবগী মফম কৈদৌঙৈদা ফংলরোই। ঐখোয় ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন্না পুনশিন্দুনা থল্লি হায়বখক মঙাই অদুবু অথাপ্পদগী য়েংবদগী উবদা ঐখোয় কাঙলুপ মশেল, কাঙলুপ মরক্তা লৈনরিবা মীওইবগী মরী অসিদি লাইনীং লানবদগী ঐখোয় মশেলগী ওইরক্লিবা ওইরিবা ফীভম অসিদি ঐখোয় লান তৌনরি। লাল্লক্তা নুংশিনবগী ৱারী চাওখৎপগী থবক থৌরম পায়খৎপা য়াগদ্রা? লাইনীংনবু মরাল্লবা শাষণ পাংখক অঙম-অঙম্বা হাৎনবা, খৎনবা মশানা ময়েক্না তারবা ৱাফমনি। মসি অমনসু হেক্তা য়ানরবা, য়ানদবা য়াররোইদবা অমনি। ঐখোয় য়োন্ননবগী পোল্লাং অচৌবা অমদা পূন্না হাপচিল্লগা কৈথেলদা থেন্দুনা থল্লিবশিং, য়েন কনাগুম্বনা লৈবা লাকপা ঙাইরিবা চাননবা য়োন্ননবগী পোল্লাং মনুংদা চঙখ্রবা য়াওখ্রবা য়েন, ঙানুনা অমুক নৌহৌনা লমহাং, মীওইবনা খুন্দাবা যূমলক্তা, য়েনখা, ইঙ্খোলদা মনিং তম্না চাক্তাবা কৈদৌনুংদা ফংলরোই। অদুবু পোল্লাং মনুংদা লৈরিঙৈ খুদক্তা শিবমক্তি ওইথোক্তবনা হিংলিঙৈ মতম মনুংদা য়েনশিংদুনা মখোয়গী মরক্তা চিক্নবা, ঈশিং খৌরাংবগী, মচিঞ্জাক লাম্বগী খোংবা, য়েন অমোম্না মরুম কোকনিংদুনা খোংবা, য়েন লাবনা য়েনখোং কায়খিনি মতাগুম পোল্লাং মনুংদগী মঙক লিৎথোক্তুনা খোংলকপা কৈথেলদা অচৎ-অওক কনানা নুঙাইতনা শোনবীবা, মীনুংশিগা লোয়ননা য়েংবিবা কনা য়াওবগে? মতৌ অদুগুম লমদম, লৈবাক অসিদা পূন্না লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপ মশীং কুন্থ্রামাপলমক কৈথেলগী য়েন পোল্লাং মনুংদা য়াওবা য়েনগুম লাইনীং লান্না চৎখিবদগী ঐখোয় লৈমিন্নবগী মহাও ফংদনা অমসুং মীওইবা অমা ওইনা হিংলম্বগী ৱাহন্থোক খঙদনা অকি তুজুংবা ফাওনা হিংলি। য়েন, ঙানুনা পোল্লাং মনুংদা লৈরম্বা মওং মতৌদি থোয়দোক্তে। ঐখোয়না লাইনীং লাইশোন লানবদগী য়েন, ঙানুনা পোল্লাং মনুংদা লৈবা মতৌ অদুগুম হেকমক লৈবা, হিংবমকসিদি খজিক ৱাখল লৌশিং তামিন্নবা তঙায়ফদবরা খঞ্জে। ঐখোয় ঙানু-য়েন, শা-ষণগী কৈদাগা খেন্নবা লৈত্রবনি হায়বমক নুংঙাইত্রগসু লাইনীং লান্না ঐখোয়না থাজরিবা শোল্লিবা নীংজরিবা অসিনা মরম ওইরে হায়রগা ঐখোয় মশেল মরক্তা লান শোক্নরি, শোক্নরে, শোক্ন খিগনি হায়বসিমক্তি য়াম্না চুম্লবা ৱাফম অসিমদি মীওইবা অমত্তনা ককপা য়ারোই। লান মনুংদবু চাওখৎনবা, অফবগী মীনুংশিগী ৱাবু কনানা হৌদোক্ন বগে? মালেমগী লৈপাক অতৈ ইন্দিয়াগী লৈরিবা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা ঐখোয়গী লমদম চাওখৎলে হায়বদা মরম চারবরা? ফননবগী ৱাখল লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় কয়ানা খনবা য়াওরবগে? কাঙলুপ ফুরুপ মরক্তা ঐখোয় মশেল মী অমগা মী অমগগী মরক্তা মরীদা থম্মোয়গী মীনুংশি লীপুন হায়বদুমা অমত্তা উবা য়েংবা ফংদ্রে। মীনুংশিগী ৱাফম অসিমদি ঐখোয় মরক্তা লৈনদ্রে। ঈশিং ফংদবা পাৎ-তুরেল, লৌবুক - লম্মাংদা লৈত্রক চৎপগা চপ মান্নরে। মীনুংশিগী থম্মোয় ঐখোয়দা চেন্দ্রিবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা হৌরকফম মরু মরমদি ঐখোয় খুদিংমক লাইনীংদা লাল্লি। লাইনীংদা চুমদ্রি, লাইনীংগী ফিরেপ লৈত্রি। লাইনীংদা লাল্লিবা ঐখোয় কাঙলুপ মশেল লান শোক্নদুনা অমনা অমদা য়েক্নবা ওইনা লৌনদুনা হাৎনরি, অকি অখঙ পীনরি। মসি লাইনীং লানবগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। লাইনীং লাল্লিবা লান শোক্নরিবা ঐখোয় মান্নবা ৱাখল্লোন অপূনবগী শক্তম শাগৎপা মঙলান অমা মংলুবা অরানবা ওইগনি। লাইনীং লাল্লিবা ঐখোয় লম্বী-থোং শেমগৎ-শাগৎপা, শেনমিৎলোন ফগৎনবা হোৎনবা কৈদৌনুংদা মায় পাক্লোই। লাইনীংদা লাল্লিবা লান শোক্নরিবা ইমা লৈপাক তম্পাক লানপুং অমা ওইবগী শক্তম চপ চানা ঐখোয়না উরি। কাঙলুপ মশেলগী নুংশিনদবগী মরমনা ঐখোয় মশেল হাৎতোক্ন রি। মীহৌরোলদগী লৈরক্লবা অরুবা লাইফমশিংদা মীতৈনিদি হায়রগা মীতোপকী লাইনীং চৎপশিং খাঙুথক্তা লাক্লগা খুন্দা লৈতারিবা মীতোপশিংনা মোংবা হনবা, হননচীং, খুরাই অহোংপুং লাইফমশিং খোপচিল্লিবা, য়ৈখাই থিনগাইবা তৌরিবা কয়াশিং অসিবু লাইনীং লানবগী লান ওইরিরোইদ্রা মীয়ামদা হঙ্গৎচরি। মরমশিং লৈবনা লাইফমদা লান্দাশনবগী ৱাথোক নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি।

অরোইবদা, লাইনীংদা লানবদগী য়েলহৌমীশিংনি হায়রিবা পীকপা চাউবা খায়দনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ ঐখোয় মুৎখিদনবগী ঐখোয় ঐখোয়গী কাঙলুপকী হৌরকফম লাইনীং অচুম্বা অদু নৌহৌনা নিংশিংনদুনা লৈপাক অসিবু কলহৌনবা খন্থমিন্নরসি। মালেম্না য়াইফরে! পোক্নফম ইমা লৈপাক্না মহেল্লি।

*অদোমগী - অহন্থেম ইরাবোত মীতৈ*
*খুরাই সাজোর থোইদিংজম লৈকায়, উখুল রোদ*

## রতন্দা শীরিবা মরাল য়ানিংদে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটৰ,*

**মণিপুরদা** আই এল পি এস চৎনহন্নবা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মীয়াম পূন্নমক্না লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লিবা জে সি আই এল পি এসকী কনভেনর কে ঐচ রতনদা শীরিবা মরাল অসি য়ানিংদে। মণিপুর লৈঙাক্না আই এল পি এস অসি নাথৈনবা লাল্লোং চত্থবা তৌগনু। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরক্লবদি মণিপুর লৈঙাক্না দায়ত্ব পুজগদবনি।

মতম অমদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শিংনরকপা ওর্গনাইজেশনশিংগী লুচিংবা কয়াবুনা ৱান্টেদ লাউথোক্লগসু মণিপুর লৈঙাক্না ফম্মিন্নরদুনা য়াশিন্নখি। মণিপুর খুন্নাইবু কঞ্জনবা ঈহৌ হৌরিবা মীওই অমবুনা ৱান্টেদ লাউথোক্লগা ফাবা পূনবা তৌরক্লবদি মীয়াম তুমিন্না লৈথোকপা অদুমদি য়াররোইদবা খোঙফমনি। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র যুঠস ওর্গনাইজেশন (কে ঐচ যু কে ৱাই ও) না মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা হায়জনীংলিবা ৱাফমদি মরানগী মতুং ইন্না ফারগসু মীয়ামগী ঈহৌ অসিগী য়েংলগা মতম খরা কোমথোকপীনবা নোল্লুকচরি।

*অদোমগী - আই টৌনি*
*সেক্রেটৰি ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি, কে ঐচ যু কে ৱাই ও*

## ওনর্স অমদি জেনরেল মহৈরোইশিংগী অৱাবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটৰ,*

**মণিপুর** য়ুনিভর্সিটিনা হৌখিবা কুমজা ২০১০ দা মসিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদা বি এ/বি এস সি/বিকোম কোর্সশিংদা সেমিষ্টর ইগজাম সিষ্টেম হৌদোকখ্রবসু ওর্নস অমদি জেনরেল/পাস কোর্স অনীগী চপ চাবা ৱাহন্থোক মপুং ফানা কোলেজশিংদা লৈবা উদ্রি। মণিপুরগী কোলেজশিং অয়াম্বদা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী লৈঙাক্কী অমদি এদেদ কোলেজশিংদা মঙাশুবা অমদি তরুকশুবা সেমিষ্টরদা (অরোইবা অমদি অহুমশুবা চহীদা) ওনর্স অমদি জেনরেল/পাস কোর্স হায়না লৈগদবা অসি লৈতে, শুপ্নতগী মহৈরোয় য়াল্লবসু য়ামদ্রবসু ওনর্স কোর্সকী সেলেবস ওইনা তম্বীদুনা লৈ, জেনরেল/পাস কোর্সকী তোঙানবা ক্লাস লৈতে। মসি হৌখিবা চহীশিংদা মণিপুরগী কোলেজশিং মরু ওইনা লৈঙাক্কী মরু ওইবা কোলেজশিংদসু চত্থদুনা লাক্লি।

মহৈরোয়শিং ওনর্স অমদি জেনরেল কোর্স/ক্লাস হায়না অনী থোক্না তোঙান-তোঙান তম্বীদবা/থম্বীদবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী রাইট অমদি প্রিভিলেজদা য়াম্না চাওনা অকায়বা পীবতা নত্তনা পেরেন্টস/গার্জিয়ানশিং অমদি খুন্নাইসিগী মাঙজবা অমনি হায়জনীংই। ঐখোয় পূন্নমক্না খঙই মদুদি মহৈরোয়শিংগী মরক্তা খেন্নবা, মান্নদবা কয়া অমা লৈ। শম্না পল্লবদা মহৈরোয় খরনা লাইরিক্তা থৱায় য়াম্না য়াওদুনা অৱাংবা থাক্কী দিগ্রি পায়নীংই, খরা অমনা গ্রেজুয়েট ওইরগা থবক ইনখাং তৌদুনা লৈনীংই, খরা অমনা ঙাওশিন্নদুনা কোলেজ চাং নাইনা কাদনা পরিক্ষাদা অনফিয়র মিন্স শীজিন্নদুনা পাস তৌনবা অমদি গ্রেজুয়েট অমা ওইরগা লোইরে হায়দুনা লৈথোকপসু য়াওই। হায়বদি নিংথিনা লাইরিক তমগে হায়না তমদবা, লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা কোলেজ কাবা/চৎপা কয়া য়াওদবা নত্তে। মসিমসু মমা-মপাশিং, গার্জিয়ানশিং অমদি ওজাশিংনা খঙই মদুদি চহী খুদিংগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি এ/বি এস সি/বিকোম ফাইনেল/তরুকশুবা সেমিষ্টর ইগজামদা মহৈরোয় পাস তৌবগী অপূনবা মশিংগী নৎত্রগা সবজেক্ট খুদিংগী ১/৪ মুক হায়র ষ্টদিসগীদমক্তা এম এ/এম এস সি/এম কোমনচিংবদা মীং চল্লি অদুগা অয়াম্বনা লাইরিক মখা তম্বা তৌদে, থবক তৌবনা তৌবা, লাইরিক মখা তম্বা য়াদদুনা অরেম্বদা কয়া অমা অনএমপ্লোই ওইদুনা লৈবা য়াওরিবনি। মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমই মদুদি লাইরিক নিংথিনা তমদুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশীন ফংবা পাল্লিবসি মখোয় খরতনি, অয়াম্বনা পামদবনি। মরম অসি য়াম্না চাউনা লৈবনা লাইরিক য়াম্না তম্নিংবা কাঙবুগা, তমনিংদবা কাঙবুগা অনী অসি তোঙান-তোঙান ওনর্স অমদি জেনরেল/পাস কোর্স হায়দুনা থম্বীবগী তঙাইফদবা অদু কোলেজশিংদা লৈ হায়জনীংই। মহৈরোয় মখল অনী অসি পূনশিনবনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। মসি শুগায়না নৈনদ্রবসু মীচম অমনা লায়না খঙবা য়ারবা ৱাফমনি। শম্না হায়রবদা মাষ্টর তমনিংবা মহৈরোয়শিংনা হেন্না পাকচাওনা নৈনবা খঙনীংবা মহৌশানি অদুগা মাষ্টর তমনিংদবা কাঙবুনা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা তৌবা মশানা তাবনি। মরম অদুনা মহৈরোয়শিং অসি চাওরাক্না অনী থোক্না ওনর্স অমদি জেনরেল হায়না খায়দোক্তুনা পেরেল্লেল ক্লাস অমমম তৌবিনবা শিনবীরবদি মখোয় মখোয়গী অপাম্বা লায়না থুংহনবা ঙমগনি নীংজে। মহৈরোয় মখল অনীগী খেন্নবা অমসুং খুদোংচাদবা অসি প্রেক্টিকেল অমদি ফিল্ড ষ্টদিগুম্বা য়াওরকপা মতমদনা অমুক্কসু মথি ফোংবা হেল্লি। অপাম্বা মান্নদবা মহৈরোয় মখল অনী পূন্না তম্বীদুনা পেলহনবা ঙম্বা ওজাদি খরদি তাঙনা থোক্কনি খঞ্জে।

মরম অদুনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা ওনর্স অমদি জেনরেল কোর্স/পাস কোর্স কোলেজ অয়াম্বদা লৈত্রিবা/থমদ্রিবা অসি মহৈরোয়শিংগী অমদি মমা-মপাশিংগী খনবীদুনা লাক্লিবা সেসন (২০১৬), মঙাশুবা সেমিষ্টরদগী থম্বীনবা/হৌনবা নীংশিংজরি।

*অদোমগী - ডা. টি ঐচ রঞ্জিৎ*
*সিনাম লৈকায়, থাংমৈবন্দ*

## মসিবু থাজবিব্রা? থাজবিদব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটৰ,*


**মীতৈ/মৈতৈ** মশাগী লাইনীং-লাইশোন অমদি কলচর মপুং ফানা লৈজবা ফুরুপ ওইনা মনীং মখা তম্না পাঞ্জরম্বা লৈবাক কংলৈপাক মণিপুরনি হায়বসি ঙসি ফাওবদা লমদমসিদা হিংলিবা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু শান্তিদাস গোসাই কৌবা ময়াং ক্বাক অমনা মাগী খোঙলোয় খরগা নীংখা তম্না পাঞ্জবা মণিপুরদা পাইশিল্লক্তুনা ইরমদমসিগী চৎন-কাঙলোন, লাইনীং-লাইশোনবু থুগায়দুনা মহাক্না পুশিল্লকপা রমান্দি (গৌড়) লাইনীং চৎহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপদগী মমৈথংদা মণিপুরগী নিংথৌবুসু মিত্রং-জাদু খরা উৎশিল্লগা শুমহৎলগা লাইমিং লৌশিন্দুনা মহাক্না শন্দোক্নে খল্লিবা রমান্দি লাইনীংদুদা লাইনীং লাইশোন তৌখি। লৈবাক্কী ফম্নাইবা অখঙ-অহৈ পন্দিট কয়ানা ময়াং লাইনীং রমান্দি লাইনীং মণিপুরদা চৎনহনবা য়ারমদে। অদুবু লৈবাক্কী মপু ওইরিবা নিংথৌনা ময়াং ক্বাক অদুগী কন্না পাম্বোম তিংদুনা লেপখিবদগী ক্বাকতুবু মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা শন্দোকখি। ক্বাকতুনা মনিং তৌনা পাইদুনা লমদমসিগী মীয়াম্বু শুমহৎতুনা মাগী রমান্দি লাইনীং শন্দোকপদা মায় পাকখি। মণিপুরগী মীয়াম শরুক মরিগী মনুংদা অনীদি রমান্দি লাইনীং চৎপা মীয়ামগী লৈবাক ওইরক্লে। অসুম্না রমান্দি লাইনীং শন্দোরকপনা ইরিল তুরেল মপান্দা তাবা খুল মচা খুম্বোংপুৎকী (হৌজিক্তি খুল লৈত্রে) মীওই খরসু লাইনীং অদু চৎলমই। মখোয়গী মরক্তগী ফুন্দোংবম ফুলো মীতৈ খুলদুদা ময়ায় ওইরপ ইনাক খুনবা মীওই অমা ওইরমই। মহাক্কী মচানুপা অমা, নুপী অনী লৈদুনা য়াম্না ঈংনা লৈজবা ইমুং অমা ওইরমই। ফুলো মীতৈ রমান্দি লাইনীংদা থৱায় লুপখিদুনা ফুন্দোংবম ফুলো মীতৈ হায়রম্বদু মীতৈ লৌথোক্তুনা ফুলো সিংহ ওনখিরমই। যূমগী শুমাং ময়ায়দা হৌরম্বা তাইরেল পাম্বী মচা অমসুং কবোকলৈ পাম্বী ফুক্তোক্তুনা ইঙ্খোলগী চীদাইদা থাখ্রে। মদুগী মহুত্তা তুলসি পাম্বী থাজিন্দুনা তুলসিবোং কৌখ্রে। নোংমতা ইরুজদনা চাবা থকপা তৌখিদ্রে। পুখ্রি তুরেলদা ইরুজরুরগা কারকপা মতমদা খুদৈ অচোৎপা শেৎলগা পায়রিবা খুজাই মনুংদা য়াওরিবা ঈশিং খিক্ল-খিক্লগা কারক্তুনা তুলসি মুচুম থকপা থাজবা হায়বদু ওইরমই। থা ৫/৬ শুবদা তীলগী মতিলদগী থোকপা লংনা শাবা মুগা খুদৈ শেৎতুনা লাইবক্তা চন্দন থিন্দুনা মথেল লুকোই চারমই। মসিনা মাগী হৈনবী হায়বদু খম থেংনা ওইরমই। মসিদা নত্তনা মশাগী ইঙ্খোলগী মফম অমদা মন্দির (লাইশঙ) অমা শাদুনা মুর্ত্তি কয়া (গৌরচন্দ্র মহাপ্রভু, রাধা-কৃষ্ণ, নিতাইন্দ প্রভু, জগনাথ, সভদ্র অমদি বলরামনচিংবা) লাৎলমই। মদু পূম্বা মহাক্না বামোন অমা নেক্তুনা থা-থাগী ওইনা শেল খরা (তোলোপকী মওংদা) পীদুনা নুমিৎ খুদিংগী পুজা তৌহন্দুনা থল্লমই। লোয়ননা লৈকায়গী, খুলগী অহল ওইবশিংবুসু মরক-মরক্তা উৎসবনচিংবা কক্তুনা লাইগী প্রসাদ (চাক চাবা) ফংহল্লমই। অসুম তৌনা ফুন্দোংবম ফুলো সিংহ রমান্দি লাইনীংদা খম থেংবা থৱায় য়াওবা মীশক অমা ওইরমই। কৈরোই লৈকায়গী অমদি অখঙবা মীওইশিংনা ফুন্দোংবম ফুলো সিংহগী লাইনীংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলমই। অসুম তৌনা চহী খরা হৌখ্রবা মতুংদা লাইনীং অদুদা থৱায় লুপখিবা হেনমনখিবনরা করিনো নোংমদি ফুন্দোংবম ফুলো সিংহগী মমাঙদা শ্রী জগনাথ মানবা অচৌবা মুর্ত্তি অমগী মওং উরমই। মুর্ত্তি অদুগী মওং অমা শারগা লাৎপা অমদি পুজা তৌনিংবগী ইহুল অমা মাগী ৱাখলদা কন্না ফাওরমই।

মসিনা মরম ওইদুনা মুর্ত্তিদুবু শাবা য়াবা অচৌবা উ থিবা হৌরক্লমই। মমৈথংদা নোংমাইজিং চীং মনুংদা থেংনদুনা উজাওদুবু মী নেক্তুনা য়ালহল্লে। উ শুবদা হৈথোই শিংথোইরবা অহৈবা নেক্তুনা মুর্ত্তি অদুগী মওং মতৌ শাহল্লে। চান্নগদবা মচু কয়া তৌদুনা ফজখ্রবা মুর্ত্তি অমা ওইরে। অফবা নুমিৎ য়েংলগা ৱাগী দোলাইনচিংবা শাদুনা বামোন অমসুং পুং ঈশৈ য়াওনা মুর্ত্তিদু ময়ুমগীদমক্তা লেংথোরক্লে, পুরক্লে। লাইবক ফবা হায়গদ্রা লাইবক থিবা হায়গদ্রা লাই (মুর্ত্তি) লেংলকপদা লম্বীদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীওই খরনা পুলিসকা লোয়ননা লৈরমদুনা মখোয় পূন্নমক রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লমদা পার্মিসন য়াওদনা উ-ৱা য়ান্থুৎপগী মরালদা ফাজিনখ্রে। হৌনবী মতুং ইন্না মখোয়বু ৱায়েলশঙদা পুথোক্লবা মতুংদা বিচারপতিগী য়াথং মতুং ইন্না মখোয় লোইনমক রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুংদা পার্মিসন য়াওদনা উ-ৱা য়ান্থুৎপগী মরালদা চহী অনী-অনীগী মিয়াৎ তাদুনা জেলদা থাজিনখ্রে। নুমিৎ খুদিংগী নিংথম থা, কালেন খাইদবমখৈ ইরুজরগা কারকপদা ঈশিং খিক্লগা কারক্তুনা তুলসি মুচুম থক্লম্বা, লোয়ননা মুগা খুদৈ শেৎতুনা চন্দন থিল্লগা চাক চারম্বা ফুন্দোংবম ফুলো সিংহ জেল মনুংদা নুংতিগী ইরুজ-মাইথনবা ঈশিং ফংদবদগী ইরুজদনা চাবা থকপা কয়া অমা য়াওরমই। অদুবু হিংদবদি য়াদবনিনা জেল মনুংদা ইরুজবা লুদবা থিদনা অফংবা চিঞ্জাক চাদুনা লেল্লমই। অসুম্না থা ৯/১০ হৌখ্রবা মতুংদা ফুন্দোংবম ফুলো সিংহবু যূমগী মীওইশিংনা থানা বাবু অমদি ৱায়েলশঙগী অখঙ অহৈ কয়াগা তান্নরগা মীওই অমদা সিওরিটি বোন্দ ওইনা লুপা লিশিং ৩/৩ থিরগা ৱায়েলশঙগী য়াথং মতুং ইন্না জামিন্দা থাদোরক্লমই। চঙখিবা খুদিংমক ফুন্দোংবম ফুলো সিংহগী অরৈবা মাল-চাং য়োম্থোক্লগা শীজিন্নরমই। অসুম্না ফুন্দোংবম ফুলো সিংহ নুঙাইনা পাঞ্জরম্বদগী লায়রবা ইমুং অমা ওইখ্রে। নোংমদি ইখঙ খঙহৌদনা ফুলো সিংহনা ময়ূমদা শারিবা মন্দিরদু থুদেকখ্রে/পুজা তৌদুনা লাৎলম্বা মুর্ত্তি পূম্নমক পুল্লপ পুনশিন্দুনা পৈশিল্লগা চরু হাপচিল্লগা মৈ থাদোকখ্রে। করিগুম্বা অমতা তাহল্লরোই খন্দুনা পুল্লপ খোমজিল্লগা তুরেলদা থাদরমই। মীংগী অরোইবদা সিংহ ইরম্বদু মীতৈ/মৈতৈ অদুমক ইখ্রে। কানদবদা পাম্না তৌরুবা থবক খুদিংমক মহৌশাগী ইপা-ইপুশিংনা চৎচরম্বা লাইনীং-লাইশোন্দা অমুক মাই ওনশিনখ্রে অমসুং থবক কন্না শু-নোমদুনা অৱা-অনা থিদবমখৈ হোৎনবদগী নুঙাইবা পুন্সি ওইখিরমই। লৈকায়গী মীওইশিংনা ফুন্দোংবম ফুলো মীতৈবু তূল্লম্বদগী মীকপ থোক্তুনা হৌগৎলক্লে হায়নখ্রে। মসিবু থাজবিব্রা? থাজবিদব্রা?

*অদোমগী - লৌক্রাকপম কুল্লবিধু সিংহ*
*মোইরাংকম্পু মখা লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১। নোংদি তারকখিদ্রে কনানা ইবনো?
২। জজ সাহেপকী ইমুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩। অফস্পা লৌথোকউ হায়দুনা চরা হেল্লিবী ইরোম চনু শর্মিলাগী মশানা ইবা শৈরেং লাইরিক অনী ফোঙখ্রে। করি করিনো? করম্বা চহীদা ফোঙবগে?
৪। এলাংবম দীনমনি করি লাইরিক্তা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ফংখি?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।